

Marathon Race
NATIONAL HEALTH CAMPAIGN

পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই) মণিপুর ষ্টেটনা শীন্দুনা নবেম্বর ১৬তগী ৩১ ফাওবা থাখায় অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা নেসনল হেল্থ কেম্প্যেন ফ্রন্ট অসিগী প্রসিদেন্ট এম ভি অব্দুল্লাহ হুসাইনিনা ফ্লেগ ওফ তৌখিবা

(CADA)
HEALTH FOR FU RE

কাদানা থা অহুম খূদিংগী ওইনা পুথোকপা হেল্থ ফোর ফ্যুচর ভোল্যুম-১ ইস্যু ৩২ কোনুং মমাঙ পুরৈরোম্বা খোংনাংখোঙদা লৈবা কাদা হেদ ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফোঙখিবা

লিলোং য়ুথ ওর্গনাইজেসন্না লিলোং এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী শরুক অমা ওইনা লিলোং অৱাং পোল্লিং নম্বর ১দা নিংথম খুদোল ওইনা সোল য়েন্থোকখিবা

INTENDING CANDIDATE FOR THE UPCOMING
10-KHURAI A/C
TUESDAY, THE 16TH OF NOVEMBER 202

আই এ এস ওফিসর অমা ওইনা থৌগায় কয়া পুরম্বদগী ভলন্টরি রিটায়র্দমেন্ট লৌদুনা লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা মীরেপ ওইননবা থৌরাংলিবা খ্বাইরাকপম রঘুমনিগী মীখলগী কেম্প্যেন হৌদোকখিবা

## প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): দি এম কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসন ইম্ফালগী অনৌবা একাদেমীক সেসন ২০২১-২৩গী ইন্যুগুরেল কম ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম লাক্লিবা নবেম্বর ১৯গী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা কোলেজগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোক্লগনি। বি ঈ দি কোর্সতা নৌনা মিং চনবীখ্রবা মহৈরোয় অমদি ওজাশিংনা শরুক য়াবীনবা দি এম কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসন ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল এ কে সুরোধোনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## জি আই সিট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): পি এম এ ৱাই জি স্কিমগী মখাদা কান্নবা ফংদ্রিবা জিরিবাম গ্রাম পঞ্চায়ট তরুক্কী মনুংদা লৈবা বেনিফিসরি ২১০দা জিরিবাম এ সীগী এম এল এ অসবউদ্দিননা এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা জি আই সিট ২০/২০ য়েন্থোকখ্রে। জি আই সিটশিং য়েন্থোকখিবগা অদুগা মরী লৈননা এম এল এনা ফোঙদোকখিবদা, জিরিবাম এ সীদা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফননবা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি। লৈঙাক্না পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী কান্নবশিং মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্ননবা হোৎনরি হায়খি।

## ‘দিমোক্রেসি শীংনবনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): সী বি আই অমসুং এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি)গী দিরেক্টর ফম মতম শাংদোকহনখিবদু দিমোক্রেসিবু শীংনবনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না লৈবাক অসিগী ইন্দিপেন্দেন্ট এজেন্সী ওইরিবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) অমসুং এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট অনীগী দিরেক্টর ওইবশিং মখা তানা চহী মঙা থবক পায়হন্নবা নবেম্বর ১৪দা ওর্দিনান্স অমগী মখাদা লাউথোকখিবদু লৈবাক্কী দিমোক্রেসি খোঙ্গোয়নবনি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা লৌই। পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম হৌগদবা নুমীৎ খরনিদা ঙাইরবসিদা তহা তহানা সী বি আই অমসুং এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী দিরেক্টর অনীগী থবক পায়বগী মতম শাংদোকহনখিবদুনা পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসি লৈখা তাহল্লে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অনীনা ওথোরিটিয়ান লৈঙাক অমগুম্না লৈঙাক্কী অশোয়বশিং থৌশিল থৌরাংশিং চুমথোক্লবা মীয়ামদা খঙহল্লিবা জর্নেলিষ্ট, ইন্টলেকচ্যুএল সর্কলদা লৈবশিং য়াওনা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট কয়াগী মচিন মেন্নবা লোই লৈঙাক মতমগী সেদিসন মখাদা ফাজিন্নবা সী বি আই অমসুং ঈ দি অনীবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবা লেপত্রি। ওর্দিনান্স রাজ ওইরক্লবা লৈঙাক অসিগী মশাগী অশোয়বশিং কুপশিন্নবা হোৎনবদা পার্লিয়ামেন্ট ফাওবা ঈকায়খুম্নবা উৎলক্ত্রিবসি সী পি আইনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

## শিৎ শেংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এন এস এস য়ুনিটনা নুমীৎ তরেৎনি চুপ্পা চৎথরকখিবা স্পেসল কেম্পকী শরুক অমা ওইনা এদোপটেদ ভিলেজ অমা ওইরিবা ক্যামগৈ হৈবোং মখোঙগী অকোয়বা মফমশিং শিৎ শেংখ্রে।

শিৎ শেংখিবা থৌরম অদুদা এন এস এস য়ুনিট টুগী প্রোগ্রাম ওফিসর ডা. মোইরাংথেম চাওরৈকনবা অমদি য়ুনিট ৱানগী প্রোগ্রাম ওফিসর ডা. সুনিল সেঞ্জমসু শরুক য়াখি। লোয়ননা য়ুথ পাইওনর ক্লবকী প্রসিদেন্ট অমদি মেম্বরশিংসু শিৎ শেংখিবা অদুদা শরুক য়াখি। ক্যামগৈ হৈবোং মখোঙ অমদি অকোয়বগী মফমশিং শিৎ শেংলবা মতুংদা উ চারা ৩০ রোমসু মফম অসিগী অকোয়বদা থাখি হায়রি।

# ‘লৈঙাক অসিনা মাইনোরিটি এফেয়র্স দিপার্টমেন্ট মমিংতগী ওইনা থম্লে’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মাইনোরিটি এফেয়র্স দিপার্টমেন্ট মমিংতগী ওইনা থম্লে হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এম এম দব্লিয়ু ওগী সেক্রেটরি জেনরেল খুৎহৈবম ৱাদিয়া হসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এম ও বি হায়না লৈরম্বদগী মাইনোরিটিশিংগী ওইবা তোখায়বা দিপার্টমেন্ট অমা হাংদোক্লবনিনা দিপার্টমেন্ট অসিনা মাইনোরিটিশিংগী ওইবা ৱেলফেয়র স্কিমশিং মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্সকী ফন্দিং মখাদা লমদম অসিদা লৈরিবা মাইনোরিটিশিংগীদমক্তা পায়খৎপীরক্তুনা সোসল্লি, ইকনমিকেল্লি বেকৱার্দ ওইরবা মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিং অতোপ্পা কম্যুনিটিশিংগা হীরম খূদিংমক্তা থোং মান্ননবা লৈঙাক অসিনা হোৎনবীরক্কনি হায়বা মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংগী থাজবা অদু ঙসিদি লৈঙাক্না মাঙহনবীরে। মাইনোরিটি এফেয়র্স দিপার্টমেন্টনা মাইনোরিটিশিংগী ইকনমিক দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা তোঙান তোঙানবা ট্রেদ কয়াদা পীরম্বা স্কিমশিং চহী-চহীগী ককথরকপনা ট্রেদ ৩/৪দমক ঙাইশিল্লক্লে। মসিদসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ফন্দ পীরক্তে হায়দুনা বেনিফিসরি মশীং খরখক্তমক খায়দোক্লনবা শেম-শারে হায়বগী মতাংদা থাজবা য়াবা মফমদগী পাউ ফংলে। মসি য়াম্না লাইবক থীবনি।

অঙম অথৌশিংগা নক্লবা মীওই খরা খনগৎলগা য়েন্নাও মচা, কার্পেন্টরি টুলস, নেপ সেক স্পেয়র খরা য়েন্থোকখিবা খরা লৈরে অদুবু স্কিম অসিগী বেনিফিসরি লিষ্টতি ঙসি ফাওবা ফোঙদোক্তনা থল্লি। লৈঙাক্কী অসিগুম্বা খোঙথাং অসিনা মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংনা হকথেংননা নমথনবা হোৎনরে হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লে। অসিগুম্বা মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংবু হকথেংননা সেন্টিমেন্ট শোকহনবা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা হোৎনবীয়ু।

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা চহী অমগা মখায়রোম শুফম-নোম্ফম খঙদনা লৈরক্লবা সোসল্লি ইকনমিকেল্লি বেকৱার্দ ওইরবা কংলৈচা কয়াগী অৱাবা অসি ঙসিগী লৈঙাক অসিনা উবীরগা খরা খজিক শেন্থোক লম্বীদা মতেং পাংনবা ঈ দি পি স্কিম অসি অথুবা মতমদা হায়দোকপীয়ু। লৈঙাক্না মাইনোরিটি এফেয়র্স দিপার্টমেন্ট মমিংতগী ওইনা থম্বীবা তারগদি এম এম দব্লিয়ু ওনা য়েংদুনা লৈরোই। প্রাইম মিনিষ্টরগী প্রোগ্রাম ১৫দা য়াওরিবা সোসল্লি ইকনমিকেল্লি বেকৱার্দ ওইরবা কম্যুনিটিশিংগী ৱেলফেয়রগীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ফন্দিং খূদিংমক পরম চুম্না য়ুটিলাইজ তৌবীয়ু। প্রোগ্রামশিং অসিগী মনুং চন্না মল্টি সেক্টরেল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা পায়খৎলিবা অমদি পায়খৎখ্রিবা থবকশিং গাইদলাইনগী মতুংইন্না মাইনোরিটি কন্সেন্ট্রেসন এরিয়াদা পায়খৎলিব্রা হায়বসি ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেমদুনা অথুবা মতমদা থিজিনহনবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# এম এল এ রাধাকিশোর অমসুং দি সীনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কোভিদ ভেক্সিনেসন এক্সপ্রেস লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্ননবা লৈঙাক্না লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মীপুম খূদিংমক কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকহন্ননবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা লোঞ্চ তৌখ্রবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন এক্সপ্রেস ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ওইনাম এ সীগী এম এল এ, এল রাধাকিশোর অমসুং দি সী বিষ্ণুপুর রঞ্জন য়ুম্নামনা মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্স বিষ্ণুপুরদগী ফ্লেগ ওফ তৌদুনা লোঞ্চ তৌখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি, বিষ্ণুপুর অমদি দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়র ব্যুরো, বিষ্ণুপুর অনীনা খুৎশম্ন দুনা শীনখিবা লোঞ্চিং প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা দি সী বিষ্ণুপুর রঞ্জন য়ুম্নামনা বিষ্ণুপুর মীয়ামগী মহুৎ শীন্দুনা ষ্টেট লৈঙাক্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিনেসন সর্ভিস দোরষ্টেপতা পীবীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মীয়াম্নসু চিংনবা লৈতনা ভেক্সিন কাপথোকপীননবা অমদি অহানবা দোজ কাপখ্রবশিংনসু দোজ শুনা কাপথোক্তুনা কোভিদ ফ্রী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহন্ননবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু শরুক য়াবীয়ু হায়নসু মহাক্না আপীল তৌখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লৈকায় অমা নৎত্রগা মফম অমদা মীওই ২০দগী তাদনা ভেক্সিন কাপকদবা লৈরবদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সী এম ওগী মখাদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট কোভিদ ভেক্সিনেসন প্লান্নিং টিমগী কন্টেক্ট নম্বর ৮১৩১৯৪২৪৬৩দা ক্লব নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অমগী খুথাংদা ওফিস অৱারগী মতমদা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা এম এল এ, এল রাধাকিশোরনা ফোঙদোকখিবদা, তমথিরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মায়থীবা পীগে হায়রবদি ভেক্সিন কাপথোকপনা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেনি। মরম অদুনা মীয়াম্না চিংনবা লৈতনা ভেক্সিন অসি কাপথোকপীয়ু। করিগুম্বা খুদোংচাদবদগী অমদি ভেক্সিন কাপ্পা চৎপা ফরক তারবসু ঙসি য়ুমথোঙ খূদিং চৎতুনা ভেক্সিন কাপ্পগী খুদোংচাবা অদু লৈঙাক্না পীবীরে। মসিগী খুদোংচাবা অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্না লৌবীদুনা বিষ্ণুপুর অসি ফুল্লি ভেক্সিনেটেদ ওইবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহল্লসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুরগী এ দি সী, ঐচ বোবি শর্ম্মা, সী এম ও ডা. রাইচন্দ্র অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

# খ্বাইরাকপম রঘুমনিগী মীখলগী কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা উরিপোক এ সীদগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা খ্বাইরাকপম রঘুমনিগী মীখলগী কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়াদা আই এ এস ওফিসর ওইনা চহী ৩০ রোম থবক পায়রক্লবা মতুং থবক্তগী ভলন্টরি রিটায়র্দমেন্ট লৌদুনা লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখল অসিদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা খ্বাইরাকপম রঘুমনিনা হায়খি, মহাক আই এ এস ওফিসর অমা ওইনা লৈঙাক্কী থবক তৌবগী মতম অসি লাক্লিবা কুমজা ২০২৩গী জন্যুৱারী ৩১ ফাওবা লৈরি। অদুবু মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা উরিপোক এ সী অমদি মণিপুর মীয়ামগী থৌগল তৌবা পাম্বদগী থবক্তগী পোথাবগী মতম চহী অনী ঙনখৎনা ঙরাং নবেম্বর ১৫দা লৈঙাক্কী থবক্তগী পোথাদুনা লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখলদা মীরেপ ওইনা চোংথোক্লগনি হায়না রঘুমনিনা লাউথোকখি।

মহাক্না হায়খি, উরিপোক এ সীগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংদা লৈরিবা মীয়ামগা তান্নরগা পোলিটিক্সতা খোঙদারকপনি। মীয়ামগী থৌগল তৌবা পাম্বদগী পোলিটিক্সতা চঙলকপনি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মনুংদসু উরিপোক এ সীদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক য়াইফননবা চান-থক্কবা পোৎলম অমদি হিদাক লাংথক কয়া অঙম্বা থাক্তা তেংবাঙখি। এ সী অসি লাইরিক-লাইশু হৈরবা ইমুং কয়া লৈরি। অমরোমদা লায়রবা শোথরবা ইমুং কয়া অমসু লৈরি। মরম অসিনা এ সী অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্কী শেল-থুমগী ফীভম অমদি পুন্সি মহিং ফগৎহন্ননবা অঙম্বা থাক্তা থৌদাং লৌগনি। এ সী অসিদা লৈরিবা লাইরিক হৈরবা লৈঙাক্কী থবক ফংদ্রিবা কয়াবু ফাইনান্সিএল সপোর্ট পীদুনা ওন্ট্রপ্রেন্যুর কয়া ওইহন্ননবা মথৌ তাবা গাইদলাইনশিং পীদুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি। মসিদসু নত্তনা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবশিংসু মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহন্ননবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি। করিগুম্বা লাক্লিবা মীখল অসিদা মীয়াম্না মীহুৎ ওইনা থাগৎপীরক্লবদি এ সী অসিদা শেমগৎকদবা ৱাৎলিবা লম্বী-থোং শেমগৎপগা লোয়ননা এ সী অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্ননবা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি। লোয়ননা নোংখজিক্তং চুবগা খুৎশেমগী ঈশিং ঈচাউ ঙাইহাক লৈতনা থোকহল্লিবা অসিসু কোকহন্ননবা হোৎনগনি। লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখল অসি থেংননবগীদমক চপ চানা থৌরাং তৌরে। অদুগা মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা পোলিটিকেল পার্টি অমদা শুংশোয় শোয়দনা য়াওগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# কে সী পি (নোয়োন)গী কাদর ১ ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী টিম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৫০ রোম তাবদা কে সী পি (নোয়োন)গী কাদর অমা কোংবা উচেক্কোন রোদকী ষ্টেন্দর্দ কোলেজ গেট মনাক্তগী ফারে হায়রি।

ফারবা কে সী পি (নোয়োন)গী কাদর অদুগী মমিং মহেশ লাইশ্রম এলিয়স মঙাল (১৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল মোমোন কৌই। মহাক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক সোরোক ৱাংমদা লৈবনি। কুমজা ২০২০দা কে সী পি (নোয়োন)গী রিশিকান্ত কৌবা অমগী খুথাংদা মহাক লূপ অসিদা য়াওবনি। মহাক ম্যান্মারদা থা ৬ বেসিক মিলিটরি ট্রেনিং তৌরুরে। মহাক্কী আর্মি নম্বর ৫৪১নি। অদুগা মহাক্কী বেটচনা ২৭নি। কে সী পি (নোয়োন)গী মশানা মশাবু সার্জেন্টনি হায়বা সাইয়োনগী কম্মান্দ মখাদা থবক তৌবনি হায়রি। মহাক লিগেল এক্সন লৌখৎনবা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# হেল্থ ফোর ফ্যুচর জর্নেল ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী তোঙান তোঙানবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখলশিং থিংননবা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এৱেয়র্নেস কেম্প্যেন, দ্রাইভ কেম্প্যেননচিংবা কয়া চঙশিন দুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্ননবা ৱাখল্লোন্দা কাদানা থা অহুম খূদিংগী ওইনা পুথোকপা (ক্বার্টরলি জর্নেল) হেল্থ ফোর ফ্যুচর ভোল্যুম-১ ইস্যু ৩২ ঙসি ফোঙখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোনুং মমাঙদা লৈবা পুরৈরোম্বা খোংনাংমখোংদা লৈবা কাদা হেদ ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা জর্নেল ফোঙবগী থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন অমসুং দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজমনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা হায়খিবদা, কাদানা লমদম অসিদা শাফোঙলকপদগী হৌদুনা লমদম অসিগী লৈকায় লৈকায়দা চৎতুনা ক্লবশিং, মৈরা পায়বীশিংগা পুন্না খুৎশম্নদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী অমাঙবশিং মীয়ামদা খঙহন্দুনা অমসুং ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল খূদিংদগী লাপ্পা লৈননবা পান দমদা এৱেয়র্নেস কেম্প্যেন কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। লোয়ননা হৌরক্লিবা নহরোলশিংগী মরক্তা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশীজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী একাদেমীক ইন্সটিট্যুসনশিংদা চৎতুনা স্কুল ওথোরিটিশিংগা খুৎশম্নদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বা বেন্নরগী মখাদা লেপ্তুনা এৱেয়র্নেস কেম্প্যেন চঙশিল্লক্লি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক মতম শাংনা শীজিন্নরক্লগা দ্রগ দিপেন্দেন্স ওইরবা মীওই কয়াদা ট্রিটমেন্ট পীদুনা মহৌশাগী ওইবা পুন্সি মরেলদা হঞ্জিল্লক্লবা পান্দম ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তাওথোং অয়ুংবদা কাদাগী ওইবা রিহেবিলিটেসন সেন্টর অমসু হাংদুনা মীওই কয়া মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লকপা ঙমহনখ্রে।

মসিদসু নত্তনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি মীয়াম্না লাপ্তেংনবা ঙম্ননবা মফম মফম খূদিংদা চৎতুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা এৱেয়র্নেস পীদুনা লাক্লি। লোয়ননা মফম কয়াদা চৎতুনা আয়ুশ-৬৪ য়েন্থোকখি। ঙসি পুথোক্লিবা ক্বার্টরলি জর্নেল অসিনা মীয়ামদা এদ্যুকেট তৌদুনা মীয়ামদা অফবা মশা-মঙ ফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা পান্দমদা পুথোকচবনি। জর্নেল অসিদা তোঙান তোঙানবা হীরমদা খঙলবা মীওই কয়ানা মীয়ামদা লৌশিং ওইঙ্গদবা আর্টিকল কয়া য়াওরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি হায়রি।

# এম সী পি সী আরগী চ্যেরপর্সননা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর)গী চ্যেরপর্সন ফুরাইলাৎপম মনিবাবু শর্ম্মনা লুচিংদুনা হোম কয়াদা স্বচ্ছতা পখ্বাদা থৌরমগা মরী লৈননা চিলদ্রেন হোম কয়াগী ফীভম য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা হোমশিংদা ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি অথুম-অহাও কয়াসু খুদোল তমখ্রে।

এম সী পি সী আরগী চ্যেরপর্সন ফুরাইলাৎপম মনিবাবু শর্ম্মনা লুচিংদুনা কম্মিসন অসিগী মেম্বর লাইময়ুম মেঘরাজ শর্ম্মা, আর কে সুমিত্রা, চবুংবম অনিতা অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ইন-চার্জ ইলিজ ানচিংবনা শরুক য়াদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী দ্যুলালেন্দদা লৈবা মহিলা কল্যান সমিতি, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা কালৈনা আশ্রম, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ঙানু লৈমা লৈকায়দা লৈবা নুরা পোইরৈকোন অমদি গার্লস ৱর্ল্ড ওপন সেন্টর হোমনচিংবদা চৎখি।

খোঙচৎ অদুদা কম্মিসন অসিগী মায়কৈদগী মাস্ক, সেনিটাইজর, সাপোন অমদি চান-থক্লবা তেংবাঙ পীবগী মথক্তা হোমদা লৈরিবশিংদা মাস্ক, সেনিটাইজর শীজিন্নবা অমসুং খুৎ-শা হাম্বগী মওং মতৌসু তাকপী তম্বীখি। খোঙচৎ অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হৌজিক হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সী জে এম অমদি দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজসু শরুক য়াদুনা চান-থক্লবগী তেংবাঙ কয়াসু খুৎশিন্নখি।

# লিলোং য়ুথ ওর্গনাইজেসননা নিংথম খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): লিলোং য়ুথ ওর্গনাইজেসননা লিলোং এ সীদা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী পরিংনাইনা চৎথরকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি লিলোং অৱাং পোল্লিং নম্বর ১দগী হৌদুনা য়ুমথোঙ-য়ুমথোঙ চঙদুনা নিংথম খুদোল তমদুনা সোল য়েন্থোকখ্রে।

সোল য়েন্থোকপা অদুগা মরী লৈননা লিলোং য়ুথ ওর্গনাইজেসন (এল ৱাই ও)গী ভাইস প্রসিদেন্ট এম দি নৱাজ শরিফনা ফোঙদোকখিবদা, নিংথমথা চঙশিল্লকপা অমদি কোভিদ-১৯গী ৱানরিঙৈ তাল্লকসিদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইননবগী ৱাখল্লোন্দা লিলোং এ সীগী মফম শিনবা থুংনা সোল য়েন্থোকপনি। মখা তানা এ সী অসিগী ৱাৎহৌরিবা মফমশিংদসু য়েন্থোকখিগনি। ওর্গনাইজেসন অসিনা লেপ্পা লৈতনা ৱেলফেয়রগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা ঙম্লিবসি মীয়াম্না থম্মোয় শেংনা সপোর্ট তৌবীবদগী ঙম্লিবনি হায়বসি ওর্গনাইজেসন অসিগী অচেৎপা থাজবনি। মখা তানা মীয়াম্না সপোর্ট তৌবীদুনা হেন্না নুংঙাইবা চাউখৎপা এ সী অমা ওইহনসি। হীরম অসিদা মীয়ামগী সপোর্ট অমদি সজেসন মথৌ তাই। ওর্গনাইজেসন অসিনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগসু এ সী অসিগা মরী লৈননা চাউখৎ থৌরাংগী মরমদা উননবা শেম-শারি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লিলোং য়ুথ ওর্গনাইজেসননা লিলোং এ সীগী মনুংদা চঙশিল্লকপা ৱেলফেয়রগী থবক থৌরম কয়াসিনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল এসেম্ব্লী মীখলদা য়ুথ ওর্গনাইজেসন অসিদগী মীরেপ অমা থাদোরকপা য়াই হায়নসু সোর্স অমনা হায়রি।

# লূপ কয়ানা য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা তেংবাঙনরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা লন্নাই মীওইশিং অমদি লূপ কয়ানা লেপ্তুনা তেংবাঙনরক্লি হায়না য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটি কৈবী সনাপাৎকী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গৈই পিবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নবেম্বর ১দা কৈবী হৈকক মপাল মখা লৈকায়দগী ৱাংখৈরাকপম রাজেন অমদি প্রমোগী মচানুপা লেম্বগী চহী ২৫ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা ষ্টেসন্নরি আইটেমশিংসু পীবীরম্মী। নবেম্বর ৩দা ইরাবোত ফাউন্দেসন মণিপুরনা ফাউন্দেসনসিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইবীরম্বা পাবুং থৌনাওজম ইবোয়াইমগী চহী ১০৬শুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা য়েরুম বোক্স ১, এপল বোক্স ১, ফুটবোল ১, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং অঙাংশিংগীদমক পীবীরম্মী। নবেম্বর ৪দা উরিপোক তৌরাংবম লৈকায়দগী তৌরাংবম ব্রজকুমারনা মহাক্কী চহী ৫৫ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক ব্লাঙ্কেৎ ১৩, মেগি বোক্স ১, অথুম-অহাউ, উহৈ-ৱাহৈনচিংবা পীবীরম্মী। নুমীৎ অসিমক্তদা লাইফম খুনৌ ময়াই লৈকায়দগী হৈস্নাম মহেন্দ্রনা অঙাংশিংগীদমক অথুম-অহাউশিং অমদি শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩ পীবীরম্মী। নবেম্বর ৫দা সেকমাইজিন খুনৌ ময়াই লৈকায়দগী মুতুম নিপামচাগী মচানুপা গোপেনগী চহী ৪৪ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, ৱাটর বট্‌ল দর্জন ২ পীবীরম্মী। নুমীৎসিমক্তদা লম্লোইখোংনাংখোংদগী সাইখোম স্যামকিসোরগী মচানুপী দেবিকাগী চহী ৩৫ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক টি সার্ট ১০, থক্লবা ঈশিং বট্‌ল ১৩ পীবীরম্মী। নুমীৎসিমক্তদা উয়ুমপোক তেরাপুরদগী সাইখোম বোবি অমদি সাইখোম সান্তিবালাগী মচানুপী সাইখোম তোম্বীসনাগী চহী ১৫ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, য়েরুম প্লেৎ ২ পীবীরম্মী।

নবেম্বর ১০দা সগোলবন্দ তেরা লুক্রাম লৈরক্তবা লৈবা সোসিও ইকনমিক দিভেলপমেন্ট গ্রুপকী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা গ্রুপসিনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, হৱাই কে জি ২০, বিসক্কিৎ বোক্স ২, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং, চেস বোর্দ ১, লুদো বোর্দ ১, টুথ ব্রস পেকেৎ ২, টুথ পেস্ত পিস ৪, বেদমিন্টন কোর্ক ২, বেদমিন্টন রেকেৎ ২ পীবীরম্মী। নুমীৎসিমক্তদা ইরোইশেম্বা মোইরাংথোংদগী কে এস ঐচ সৈত্যজিৎনা মহাক্কী মচানুপা সিলহৈবা কে এস ঐচকী চহী ৪ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, অচাথাউ লিটর ২, হৱাই কে জি ৫, বিসক্কিৎনচিংবা পীবীরম্মী। নবেম্বর ১২দা চীঙারেলগী অসাম রাইফলসনা শীনবীদুনা মন্ত্রিপুখ্রিগী অসাম রাইফলসতা পাঙথোকপা মেদিকেল কেম্পতা হোমগী অঙাংশিংবু লেম্না মেদিকেল টেষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা ষ্ট্রেচরনচিংবা মেদিকেল কিটশিংসু পীবীরকই। নুমীৎসিমক্তদা পুরুম সাধুগ্রাম নেপালি বস্তিদা লৈবী বাল্লি সুভানা মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপা রাজেন সুভা অমদি লৈখিদ্রবী অপোকপী করিসমা সুভাগী লৈখিদবা চহী ৩ শুরকপা নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চিকন কে জি ৮, অচা-অথকশিং পীবীরম্মী। নবেম্বর ১৪দনা খুরাই সাজোর থোইদিংজম লৈকায়দগী অহন্থেম দাকেশ্বরনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপা অহন্থেম গৌরচন্দ্রগী নীংশিং থৌরম ওইনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ৩, বিসক্কিৎশিং, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং পীবীরম্মী। নুমীৎসিমক্তদা লাইরিকয়েংবম লৈকায় ময়াই লৈরক্তগী অরিবম গুনানন্দ শর্ম্মা অমসুং মাগী মরুপশিংনা মহাক্কী চহী ৩০ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক কম্বল ১৫, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং, সাপোন ২০, টুথ পেষ্ট ৩, খোঙমোজা ৩৬ পীবীরম্মী। নুমীৎসিমক্তদা ক্বাকৈথেল মখা থোকচোম লৈকায়দা লৈবা হেল্পিং সোসাইটি কংলৈপাক্না চিলদ্রেন দে সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা চেঙ বেগ ১, অচাথাউ লিটর ২, হৱাই কে জি ১৫, আলু কে জি ৫, ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং, বিসক্কিৎনচিংবা পীবীরম্মী। থৌরমসিদা য়াওবীরকপী অমনা য়াইস্কুলদা লৈবা ইমোইনু কৌবা লূপ অমগী মিংদা লুপা লিশিং ২সু পীবীরম্মী।

মীয়ামগী মতেংখক্তনা হিংজরিবা হোমসিগী অঙাংশিংবু নুংশিবীদুনা তেংবাঙবীরক্লিবশিংগী মফমদা হোমসিগী অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎচবসু ফোঙদোরক্লি হায়নসু চেরোলসিনা মখা তারক্লি।

## এৱেয়র্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্না স্কুল হাংননবা ওর্দর থোক্লকপগা মরী লৈননা টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা স্কুল অসিগী এন এস এস য়ুনিট ৱান অমসুং রেদ ক্রোস সোসাইটিগা খুৎশম্নদুনা নুমীৎ নীনিগী ওইবা কোভিদ-১৯গী এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংগা পুন্না পাঙথোকখ্রে হায়না টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল এ সঙ্গীতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম অসিগী অহৌবা নুমীৎতা রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুরগী সেক্রেটরি আর কে নিমাই অমসুং কোওর্দিনেটর টি ঐচ নবচন্দ্রনা মরিক চুম্বা ইনফোর্মেসন অমসুং ৱাফম কয়া মহৈরোয় অমদি ওজাশিংদা থম্বীখি। লোয়ননা এন এস এস য়ুনিট ৱানগী প্রোগ্রাম ওফিসর এল জুগিন্দ্রোনা খুৎ-শা মতৌ করম্না শেংনা হামগদগে অমদি মাস্ক মতৌ করম্না নীংথিনা শীজিন্নগনি হায়বগী ৱাফম কয়া থমখি। স্কুল অসিগী ভি পি ডা. এলাংবম বিনিতানা কোভিদকা মরী লৈনবা মরুওইবা ৱাফম কয়াসু থম্বীখি। প্রোগ্রাম অসি লোইশিনবগী থৌরমদা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল এ সঙ্গীতানা প্রিসাইদ তৌদুনা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিংগী মথৌ তাবা অমসুং দিসিপ্লিনগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি হায়রি।

## হেল্থি পিপল হেল্থি নেসন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই)গী মীৎয়েং মখাদা চহী খূদিংগী নবেম্বর ১৬তগী ৩১ ফাওবা থাখায় অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা নেসনল হেল্থ কেম্প্যেন, মণিপুরগী ওইনসু ঙসি পি এফ আই মণিপুর ষ্টেটনা শীন্দুনা হৌদোকখ্রে।

‘হেল্থি পিপল হেল্থি নেসন’ হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা কেম্প্যেন অদু লিলোং লমখায় মসজিদ রোদতগী মরাথোন অমা ফ্রন্ট অসিগী প্রসিদেন্ট এম ভি অব্দুল্লাহ হুসেনিনা লমথারগা হৌদোকখি। মরাথোন অদু লিলোং পব্লিক গ্রাউন্দ করামপাৎতা লোইশিনখি। মফম অদুদা কেম্প্যেন হৌদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা পি এফ আই মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট এম ভি অব্দুল্লাহ হুসেনি, জেনরেল সেক্রেটরি এম দি রফি শাহ, থৌবাল জিলা পরিষদকী অধক্ষ্য হসিনা বেগম, ওল মণিপুর মুস্লিম ডোক্তরস এন্দ মেদিকেল ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. মির্জা অবাস, লিলোং পি এসকী ও সী, এম দি রিয়াজ খান, লিলোং স্পোর্টস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম দি অয়ুব আলি অমদি লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ৬কী এক্স-কাউন্সীল্লর এম দি অব্দুল বারিকনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এম ভি অব্দুল্লাহ হুসেনিনা হায়খি, লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু মশা-মঙ ফনা অমদি তীঞ্জং কায়জংদনা থমসি হায়বা ৱাখল্লোন্দা অসিগুম্বা কেম্প্যেন অসি তঙাইফদনা পি এফ আইনা হাংদোকচবনি। অফবা চাউখৎপা ইরমদম অমা ওইহনবদা তুংগী য়ুম্বীরেলশিংবু মশা-মঙ ফনা থমসি। লোয়ননা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপ্পা থমসি।

ইন্দিয়া অসি চাউখৎলিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মখল কয়াগী লায়না-লায়ওংশিংগা শাগোন্নবা লৈবাক অমনি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নবনা নোংম-নোংমগী মনিং হন্দুনা চৎলক্লি। কেম্প্যেন অসিগী পান্দমদি লৈবাক অসিগী মীওইশিংবু মশা-মঙ ফবা, তীঞ্জং কায়জংদনা থম্বনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হেল্থ এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম, যোগ দেমোন্সত্রেসন, মার্সিএল আর্টস দেমোন্সত্রেসননচিংবা হকচাং শাজেলগী ওইবা দেমোন্সত্রেসন কয়াসু উৎখি। লোয়ননা দ্রগ লান্না শীজিন্নবা এৱেয়র্নেস, স্পোর্টস, পেন্দমিক এৱেয়র্নেস প্রোগ্রাম কয়াসু পাঙথোকখি।